# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 12-11-2024)**

**অকাশবানি ইম্ফালগী**

**অয়ুক পুং ৭.৩০ গী মণিপুরি পাউ**

**(তাং ১২-১১-২০২৪, য়ুমশকৈশা)**

**কাপবা (এল)ঃ** রাজ্য অসিদা মতম খরা ইরাং নেমথরুরবা মতুংদা ঙরাংদগী ইম্ফাল ৱেষ্ট অমদি ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা নৌনা বোম য়াওনা নোংমৈ কাপশিল্লক্তুনা লান্দারকখ্রে। ঐখোয়গী পাউমীনা হায়-ঙরাং নুমিদাং ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী কাংচুপ, কদাংবন্দ অমদি কৌত্রুক্তসু চিংথক্তগী বোম য়াওনা নোংমৈ কয়া কাপশিল্লকখিবতা নত্তনা মৈতৈগী য়ুম কয়াসু মৈ থারমখি। মদুদা, মৈতৈগী খুল ঙাকপা অহুম অমদি ভি.দি.এফ অমা শোক্লে।

ঙরাং অয়ুক অঙনবদগী হৌনা ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী চিংগা তাইনবা মফমশিং মরু ওইনা য়াইঙংপোকপী, থমাপোকপীনচিংবা মফমশিংদা নোংমৈ কাপশিল্লক্তুনা লৌবুক্তা থবক শুদুনা লৈবা মীওই অনি নোংমৈনা পানবদগী লাইকন্নরি।

অমরোমদা, জিরিবাম জিলাগী জাকুরাদোর অমদি বোরোবেক্রা পুলিস ষ্টেসনদা লৈবা সি.আর.পি.এফকী পোষ্টতা ঙরাং নুংথিল নোংমৈ কাপশিল্লকপদগী সি.আর.পি.এফনসু হন্দুনা নোংমৈ কাপখি। মদুদা, সি.আর.পি.এফকী জৱান অমা শোকখি। মহাক হৌজিক অসামগী সিলচর মেদিকেল কোলেজতা পুখৎতুনা লাইকন্নরি। তুংদা, সেক্যুরিতি ফোর্সনা থিবা হুম্বগী থবক চত্থবদা কুকি জো খুৎলাই পাইবা মীওই ১০ গী অশিবা হকচাং ফংখি। মখোয়দগী খুৎলাই কয়ামরুমসু ফংখি। মদুগী মনুংদা-এ.কে-৪৭ রাইফল অহুম, এস.এল.আর মরি, ইন্সাস রাইফল অনি, আর.পি.জি অমা অমসুং পম্প এক্সন গন অমা য়াওরি।

দিষ্ট্রিক্ট মেজিস্ট্রেট জিরিবামনা থোকখিবা হুকুম অমগী মতুংইন্না বি.এন.এস.এস ২০২৩ গী সেক্সন ১৬৩ গী সব-সেক্সন ৱানগী মখাদা হিরম খরদা মতম কক্তনা অথিংবা থমখ্রে। মদুদা মী মঙা নত্রগা মঙাদগী হেন্না পুনবা, কনাগুম্বা অমত্তনা মখোয় মখোয়গী য়ুমদগী থোক্তনবা নোংমৈ, থাং, চৈ অমদি নুঙনচিংবা খুৎলায় ওইনা শিজিন্নবা য়াবা পোৎলমশিং পুদুনা চৎপদা অথিংবা থমখ্রে।

অমরোমদা, কুকি জো কাউন্সিলনা ঙরাং জিরিবামদা খুৎলাই পায়বা কুকি জো ১০ লৈখিদবা অদুদা নুঙাইতবা ফোঙদোক্লদুনা ঙসি অয়ুক পুং ৫ দগী হৌরগা পুং ১২ গী তোতেল সটদাউন্দ লাওথোকখ্রে।

**সিএম (এল)ঃ** মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন্না সভাপতি ওইদুনা ঙরাং ইম্ফালদা লৈবা মহাক্কী সেক্রেটরিয়েটতা পাঙথোকখিবা মীফমনা মপানদগী শেল থাদদুনা রাজ্য অসিদা পায়খৎলিবা প্রোজেক্টশিংগী মতাংদা খন্ন-নৈনখ্রে।

সোসিয়েল মিদিয়াদা থাগৎলকপা ৱারোল অমদা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়-হায়রিবা প্রোজেক্টশিং অসিনা হেলথ কেয়ার, ইজ্কেসন অমসুং মহৌশাগী খল কায়হন্দনা থমবগা মরী লৈনবা ইনফ্রাষ্ট্রকচরশিং শেমগৎ শাগৎপদা চাউরবা থৌদাং লৌগদৌরিবনি। অসিগুম্বা মালেমগী তোঙান তোঙানবা এজেন্সিশিংগী মতেংগা লোয়ননা পায়খৎলিবা চাওখৎ থৌরাংগী থবকশিং অসিনা রাজ্য অসিগী মীয়ামদা তুং কোইনা কান্নবা কয়া পীবা ঙমগনি হায়নসু মুখ্য মন্ত্রিনা ফোংদোকখি।

**ওকপা (এল)ঃ** তোঙান তোঙানবা মশানশিংদা মালেমগী থাক্তা তকমান ফংলক্লবা বিষ্ণুপুর জিলাগী শান্নরোই অহুম ঙরাং দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন বিষ্ণুপুরনা ইকাই খুমবা উৎখ্রে। দিষ্ট্রিক্ট ইনফোর্মেসন ওফিস বিষ্ণুপুরনা থাদোরকপা চেরোল অমদা হায়-থৌরম অদু দিষ্টিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন বিষ্ণুপুর অমদি দিষ্ট্রিক্ট য়ুথ এফিয়রস এন্দ স্পোর্টস ওফিস বিষ্ণুপুরনা পুন্না শিন্দুনা পাঙথোকখিবনি। চহী অসিগী

জ্লাই ১৩ দগীনা ২০ ফাওবা ভুতানদা পাঙথোকখিবা ৮ শুবা কেদেট, জ্নিয়র, অন্দর-২১ অমদি সেনিয়র সাউথ এসিয়ন করাতে চেম্পিয়নশিপ এন্দ এ.কে.এফ রেফ্রি সেমিনর ২০২৪দা সনাগী তকমান ফংখ্রবা শান্নরোই কে.ঐচ মধুসুমিতা দেবী, অমেরিকাদা পাঙথোকখিবা চহী ১৯ মখাগী ৱার্ল্ড বোক্সিং চেম্পিয়নশিপ্তা লূপাগী তকমান ফংখ্রবা থোকচোম সুপ্রিয়া দেবী অমদি এ.এস.বি.সি এসিয়ন জ্নিয়র বোইস এন্দ গর্লস বোক্সিং চেম্পিয়নশিপ ২০২৪ দা অহুমশুবা তাখ্রবা এল.বিদ্যা দেবীবু ওকপগী থৌরম অদুদা জিলা অসিগী দিপ্যুতি কম্মিস্নর লৌরেম্বম বিক্রম শরুক য়াখি। শান্নরোহশিং অদুদা শেলগী মনাশিংসু খুৎশিন্নদুনা ইকাই খুমবা উৎখি।

**এআর (এল)ঃ** নেসনেল ইদ্যুকেসন ডে গা মরি লৈননা অসাম রাইফলসনা শিন্দুনা মন্ত্রি পুখ্রিদা লৈবা অসাম রাইফলস পব্লিক স্কুল অমদি ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা মহৈ মশিংগা মরি লৈনবা কম্পিতিসন কয়া ঙরাং পাঙথোকখ্রে। মদুদা, মহৈরোইশিংগী মরক্তা ক্যুজ অমদি এশে চাংদম বা কয়া পাঙথোকখি।

অমরোমদা, অসাম রাইফলসনা শিন্দুনা থা অসিগী ১০ দা চান্দেল জিলাগী নিউ সোমতাল ভিলেজতা অসাম রাইফল জৱান অমদি খুল অদুগী নহাশিংগী মরক্তা ভোল্লিবোল মেটচ অমসু পাঙথোকখি।

**পিএম ঃ** বিধান সভা মীখল পাঙথোক্কদৌরিবা মহারাষ্ট্র অমসুং ঝরখন্দদা ভোট খোম্বগী থবক খম থেংনা কল্লে। থা অসিগী ২০ তাঙ্কক অমা খক্তদা মীখল পাঙথোক্কদৌরিবা মহারাষ্ট্র বিধান সভা মীখলগীদমক প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা ঙসি মহারাষ্ট্রগী চিমুর, সোলাপুর অমদি পুনেদা পাঙথোক্কদবা মীখলগী রেল্লিশিংদা শরুক য়াগনি। তোঙান তোঙানবা রাজনিতি দলশিংগী লূচিংবশিংনা মাগী মাগী দলগী মীরেপকীদমক ঙমজবী থাদুনা ভোট খোমরি। বি.জে.পিগী

লূচিংবা অমসুং গৃহ মন্ত্রি অমিত সাহসু ঙসি মহারাষ্ট্রগী ঘটকোপার ইষ্ট অমদি ভোরিবেল্লিদা পাঙথোক্কদবা মীয়ামগী মীতিনদা ৱা ঙাংগনি। উত্তর প্রদেশকী মুখ্য মন্ত্রি যোগি অদিত্যা নাথসু জিলা অসিগী বিধান সভা মীখলগীদমক ঙসি ভোট খোমগনি।

**মুরমুঃ** রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমু নুমিৎ হুমনিগী খোঙচত্তা ঙসি দদ্রা এন্দ নাগর হাবেল্লি অমদি দামন এন্দ দিউদা চৎকনি । মহাক্কী খোঙচৎ অসিদা রাষ্ট্রপতিনা দামনগী তোঙান তোঙানবা কোলেজশিং-অবিয়ারি, সরকারগী ইঞ্জিনিয়ররিং কোলেজ অমদি এন.আই.এফ.তি কেম্পস্তা চৎকনি। তুংদা, মহাকা নামো মেদিকেল ইদ্যুকেসন এন্দ রিসর্সচ ইন্সটিট্যুটতা চত্তুনা মহৈরোই অমদি ওজাশিংগা ৱারি শান্নগনি। রাষ্ট্রপতিনা তুংদা, সিলভাসাদা লৈবা জন্দা চোক স্কুল শঙ্গাগনি অমদি মফমশিং অদুদা পাঙথোকপা থৌরমশিংদা শরুক য়াগনি। শ্রীমতি দ্রৌপদি মুরমুনা আই.এন.এস কুক্রি মেমোরিয়েলদসু চৎকনিপ।

**রসিয়া ঃ** প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগা রসিয়াগী অহানবা উপ-প্রধান মন্ত্রি দেনিস মনতুরোপকা ঙরাং নিউ দেল্লিদা উনদুনা লৈবাক অনিগী লৈনরিবা মরিগী মতাংদা খন্নখ্রে। লূচিংবা অনিনা উনবা অদুদা লল্লোন ইতিক অমদি শেল থুমগী লম য়াওনা তোঙান তোঙানবা চাওখৎ থৌরাংগী মতাংদা লৈবাক অনিগী ওইবা ৱাফমশিং খন্নখি। ঙসি শ্রী মনতুরোপনা কেন্দ্রগী মপাল থৌরম মন্ত্রি এস.জয়সঙ্করগা পুন্না ইন্টর-গভর্ণমেন্টতেল রসিয়ন-ইন্দিয়ন কম্মিসনগী ২৫ শুবা মীফমদা শরুক য়ামিন্নগনি।

**---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---**

মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা নোংমৈ কাপবগী পাউ, সি.আর.পি.এফ কেম্পতা লান্দারকখিবগী পাউ অমদি লৌ শুবা মীওই অমা

শোকখিবগী পাউনা ঙসি ফোঙবা পাউচেশিংদা মরু ওইবা পাউ ওইনা ফোঙলে।

জিরিদা কাপবদা কুকি মিলিটেন্ট ১০, সি.আর.পি.এফ জৱান ১ শিরে-হায়না এক্সপ্রেস মনিপুরি ইদিসন্দা ফোতোগা কোন্ননা বেনর হেদলাইন তৌরে। পাউ অসিদা সাইতোনদসু শান্তি খোঙবান্দসু কুকি মিলিটেন্টশিংনা লান্দারকপদগী মৈতৈ খুল ঙাকপা অমগা, লৌ শুবা নাগা অমা শোকখ্রে-হায়না সব হেদলাইন অমশু পীরি।

পোকফমদা-ম্যান্মারগী রিফিয়ুজিশিং থা অমগী মনুংদা ময়ুমদা হনগদবনি হায়রে হায়বা পাউ অসি অহানবা লমাইদা ফোঙলে।

সওমবুর রিলিফ কেম্পতা লৈরকখিবী মশাগী চহী ৬২ শুরবী নুপী অমা থৌরী য়ান্দুনা শিরল্লে হায়বা পাউ অসিনা হুইয়েন লানপাউগী অহানবা লমাইদা ফোঙলে।

নহারোলগী থৌদাংগী এঙ্কর কলমদা- নিউ দেল্লিদা লৈবা জে.এন.য়ুগী এম.এ সিলেবস্তা মনিপুরদা থোক্লিবা খ্রাইসিস অসিগী মতাংদা লাইরিক ওইনা তম্লগনি হায়বা এজেন্সী রিপোর্টকী পাউ অমা ফোঙলি।

সনালৈবাক্তা-পন্থানা মণিপুরদা কেমিকেল ফ্রি দিতর্জেন্ট মীয়ামদা ফঙহনবা হোরে হায়বা অখন্নবা পাউ অমা এঙ্কর কলমদা ফোঙলে।

ইম্ফাল ফ্রি প্রেসতা-তম্পাক্নী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা কুকিশিংনা লান্দারকখ্রে, কাংচুপ অমদি লৈতানপোকপীদা খুল ঙাকপা অহুম শোক্লে হায়না অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

মণিপুর নিউজতা-নাগা লূপশিংনা ইম্ফাল দিমাপুর লম্বীদা চথুরিবা তোতেল সটদাউন্দগী মতাংদা সরকারগা ৱারি শান্নখ্রে হায়না অহানবা লমাইদা ফোঙলি।

ইচেল এক্সপ্রেসতা-ঈরাং লোয়শিনবিরো হায়না আই.দি.পীশিংনা রিলিফ কেম্পতা লেপ্তুনা ৱাকৎ মীফম চথুরি হায়না এঙ্কর কলমদা ফোঙলি।

পীপলস ক্রোনিকলদা-থমাপোকপীদা লৌ উদুনা লৈবা লৌমীশিংদা চথুরকখিবা এত্তেক্ট অদুবু নাগা শনাও লোংনা য়ানিংদবা ফোঙদোক্লি হায়না অহানবা লমাইদা ফোঙলে।

সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস ইদিসনদা-শান্তি খোঙবালদা চথুরকখিবা এত্তেক্ট অদুবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা তাংখুল ষ্টুদেন্টস ওর্গনাইজেসননা ঙরাং অহিং নোংয়াইদগী ইম্ফাল উখ্রুল লম্বী থিংজিনখ্রে হায়না অহানবা লমাইদা ফোঙলি।

খোঙজং চংশিল্লিবা সেনাপতি জিলাগী ফ্রন্তিয়েল ওর্গনাইজেসনশিংগা মণিপুর সরকারগা ৱারি শান্নখ্রে হায়বা পাউ অসিনা হিলস হোর্ণবিল এক্সপ্রেসকী অহানবা হেদলাইন তৌরে।

গানফিউ মেলদা তামেংলোং বজার রোদ শেমজিনবা হৌখিবনা বজারগী মেনরোদকী মহুৎ রিংরোদ ওইনা শিজিন্ননবা খঙহল্লি হায়বা পাউ অসিনা অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

তমেংলোং তাইমসতা জস্তিস সনজিভ খানানা ইন্দিয়াগী অনৌবা চীফ জস্তিস ওইরে হায়না ফোঙলি।